


ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ক্লব এষ্টোন ভিল্লাদা সাইন তৌদুনা শান্নরগদবা ইজিপ্তগী ৱিঙ্গর মশাগী চহী ২৪ শুরবা ত্রেজেগ্বেট



আই সি সি গী ফাইনান্সিয়েল এন্দ কম্মর্সিয়েল এফিয়র্স কম্মিটিগী চীয়রপার্সন ওইখ্রবা পি সি বিগী চীয়রমেন ইহসান মানী

## ইন্দিয়াগী সিন্ধু অমদি প্রনোই জপান ওপন বেদমিন্টনগী নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে





*টোকিও, জুলাই ২৪(এজেন্সি)ঃ*

জপানগী কোনুং টোকিওদা শান্নরিবা য়ু এস দোলর ৭৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা জপান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই পি ভি সিন্ধু অমদি ঐচ এস প্রনোই নুপী অমদি নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

জপান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা চাইনাগী হান য়ুবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীরন্নগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই পি ভি সিন্ধুনা চাইনাগী হান য়ুবু য়াম্না লাকশিন্দুনা শান্নবা ঙমখিবদগী ২১–৯ দা য়াম্না লায়না থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

গেম অমা শোঋরবী চাইনাগী হান য়ুনা অনীশুবা গেম অদুদা পাঙ্গল মান্নরক্তুনা ইন্দিয়াগী সিন্ধুবু হিরম খুদিংমক্তা লম্বা পীরকখি। অদুবু এক্সপরিয়েন্স হেল্লবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা লোইশিল্লকপদা ফজবা হেনখিবদগী গেম অদু ২১–১৭ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী অয়া ওহোরিগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক জপানগী শান্নরোই অয়া ওহোরিনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা স্কোটলেন্দগী কির্ষ্টি গিলমোরবু ২১–১৮, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী চাইনাগী চেন য়ুফৈনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী ফিত্রিয়ানীবু ২১–৫, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরন্নগা অনীশুবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী চিয়াগা শান্নরগনি।

৪শুবা সিদেদ জপানগী অকানে য়ামাগুচিসু ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা রুশিয়াগী ইভজেনিয়া কোসেটস্কয়াবু ২১–৯, ২১–৯ দা মায়থিবা পীরন্নগা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী চেন জিয়াওজিনগা শান্নরগনি।

জপান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনী কিদম্বী স্রিকান্থ অমদি ঐচ এস প্রনোইগা লম্বা তৌনখি। মেটচ অসিদা প্রনোইনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮ কিদম্বী স্রিকান্থপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৩–২১, ২১–১১, ২২–২০ দা মায়থিবা পীরন্নগা অনীশুবা রাউন্দদা দেনমার্ককী রাসমস গেমকেগা শান্নরগনি।

দেনমার্ককী রাসমস গেমকেনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা চাইনিজ তাইপৈগী ৱাংবু ১৯–২১, ২১–১৪, ২২–২০ দা থোইরম্বনি।

হন্দক্তা ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টনগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখিবা চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী লি দোং কিউনবু ২১–১৭, ২১–১২ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সমির ভর্মা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা দেনমার্ককী শান্নরোই এন্টোনেসনগী মখূত্তা ১৭–২১, ১২–২১ দা মায়থিহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলস পেয়র সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেথিনা রিও ওলিম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট ইংলেন্দগী পেয়র মার্কস ইলিস খৃস লাঙ্গ্রিদজবু ২১–১৬, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীরন্নগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

## থাইলেন্দ ওপন বোক্সিংদা ইন্দিয়াগী নিখট জারিন অমদি দিপক কুমার সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



*সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবী ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর নিখট জারিন (ওই) না পোইন্ট লৌনবা হোৎনবা*

*বেঙ্কোক, জুলাই ২৪(এজেন্সি)ঃ*

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা চত্থরিবা থাইলেন্দ ওপন বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী বোক্সর অনী নিখট জারিন অমদি দিপক কুমার সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৫১ গী ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা মমাঙদা জুনিয়র ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবী ইন্দিয়াগী বোক্সর নিখট জারিননা উজবেকিস্তানগী বোক্সর সিটোরা সোগদারোভাবু হিরম খুদিংমক্তা লাকশিন্দুনা য়াম্না লায়না পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরন্নগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কেজি ৪৯গী ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপকী সিলভর মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী দিপক কুমারনা থাইলেন্দগী সামাক সেহানবু মায়থিবা পীরন্নগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

দিপক কুমারনা বাওট অদুগী অহানবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী বোক্সর সামাক সেহানগী লাইবক্তা থিনবদা ঈ থোকখিবদগী বাওট অদু কন দক্ত তৌখিবা রেফরিনা বাওট অদু তোকহনখিবনি।

থাইলেন্দ ওপন বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিদা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা মেডল শোয়দনা ফংলগদবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সরশিং অদুদি আসিস (কেজি ৬৯), মঞ্জু রানি (কেজি ৪৮), ব্রিজেস যাদব (কেজি ৮১) অমদি কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট মোহমদ হুসামুদ্দিননি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কেজি ৬৯গী কেটেগোরিগী ঙসি থিন্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা ইন্দিয়াগী আসিসনা জমাইকাগী জেসুৱা ফ্রেজরবু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরন্নগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী কেজি ৪৮গী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী বোক্সর মঞ্জু রানিনা ইটালিগী রোবার্টা বোনাটি য়ুনানিমস দিসিজনদা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

নুপাগী কেজি ৮১ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর ব্রিজেস যাদবনা ঙসি থিন্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক থাইলেন্দগী বোক্সর জাক্কা পোং য়োমখোটপু পোইন্ট ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী বোক্সর মোহমদ হোসামুদ্দিননা টুর্নামেন্ট অসিগী কেজি ৫৬ কী কেটেগোরিদা শরুক য়াদুনা ঙসি থিন্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা কোরিয়াগী বোক্সর লি য়েচানবু য়াম্না লাকচনা পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরন্নগা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা মেডল অমদি শোয়দনা ফংলগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী কেজি ৫৭ কী ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা এসিয়ান সিলভর মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী মনিসা মোন রুশিয়াগী লুইদমিলা ভোরোন্টসোভাগী মখূত্তা মায়থিহৌদুনা মেডল ফংবা ঙমদনা লৈহৌখি।

## হঙ্গেরিগী কৃষ্টোফ মিলাকনা মাইকেল ফেল্পসকী রেকোর্দ থুগাইদুনা মিটর ২০০ গী বট্টরফ্লাইদা গোল্ড লৌখ্রে



*নুপাগী বট্টরফ্লাই ইভেন্টতা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থমখ্রবা হঙ্গেরিগী মাইকেল ফেল্পস (য়েৎ) না হরাওবা উৎপা*

*গ্বাংজু, জুলাই ২৪(এজেন্সি)ঃ*

সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চত্থরিবা ৱার্ল্ড এক্বাটিক চেম্পিয়ন্সিপ্তা হঙ্গেরিগী কৃষ্টোফ মিলাকনা চহী ১০ শুরবা য়ু এসকী মাইকেল ফেল্পসকী রেকোর্দ থুগাইদুনা মিটর ২০০ গী বট্টরফ্লাইদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

ৱার্ল্ড এক্বাটিক চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ২০০ গী বট্টরফ্লাইগী ফাইনেল রাউন্দদা মশাগী চহী ১৯ শুরবা হঙ্গেরিগী স্বিম্মর কৃষ্টোফ মিলাকনা ১ঃ৫০.৭৩ সেকেন্দদা পন্থুংফম য়ৌদুনা ইভেন্ট অসিগী অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী মিটর ২০০ গী বট্টরফ্লাইগী মমাঙদা লৈরম্বা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অসি কুমজা ২০০৯ দা ইটালিগী কোনুং রোমদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা য়ু এসকী স্বিম্মর মাইকেল ফেল্পসনা ১ঃ৫১.৫১ সেকেন্দদা থম্লম্বনি।

নীংশিংবা য়াই কুমজা ২০০১ গী মার্চ থাদা জপানগী সিটি ফুকুওকাদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা য়ু এসকী মাইকেল ফেল্পসনা মিটর ২০০ গী বট্টরফ্লাইদা ১ঃ৫৪.৫৮ দা পন্থুংফম য়ৌদুনা খ্বাইদগী চহী নৌনা ইভেন্ট অসিগী অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমদুনা পুৱারী শেমখিবনি। মতম অসিদা য়ু এসকী স্বিম্মর মাইকেল ফেল্পস শুপ্নগী চহী ১৫ গা থা ৯ ওইখি।

পনবা য়াই, য়ু এসকী এঠলেট মাইকেল ফেল্পস ওলিম্পিক গেমসকী পুৱারীদা ইন্দিভিজুয়েল গোল্ড মেডল ২৩ লৌদুনা খ্বাইদগী য়াম্না গোল্ড লৌবগী রেকোর্দ থম্বা ঙল্লিবনি।

হঙ্গেরিগী কৃষ্টোফ মিলাকনা মিটর ২০০ গী বট্টরফ্লাই ইভেন্ট অসিদা গোল্ড মেডল লৌরবা মতুং মহাক্না ওলিম্পিক চেনেলগী ৱেবসাইটতা ফোঙদোকখিবদা ঐহাক্না য়াম্না মমিং লৈরবা এঠলিট অমগী রেকোর্দ থুগাইবা ঙম্বা হায়বসি য়াম্না চাওথোকচনিংঙাইনি হায়খি।

নুপাগী মিটর ২০০ গী বট্টরফ্লাই ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলনা জপানগী এঠলিট দাইয়া সেটোনা ১ঃ৫৩.৮৬ সেকেন্দদা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা সাউথ অফ্রিকাগী এঠলিট চাদ লে ক্লোসনা ১ঃ৫৪.১৫ সেকেন্দদা ফংখি।

## ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়ন্স কপ্তা স্পেনগী রিয়েল মাদ্রিদনা ইংলেন্দগী আর্সনেলবু পেনাল্টি সুট আওটতা ৩–২ দা থোইখ্রে



*লেন্দওভর, জুলাই ২৪(এজেন্সি)ঃ*

মালেমগী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদা শান্নরিবা ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়ন্স কপকী ঙসি য়ু এসকী মেরিলেন্দ ষ্টেটকী লেন্দওভরদা শান্নখিবা মেটচ অমদা স্পেনগী রিয়েল মাদ্রিদনা ইংলেন্দগী আর্সনেলবু পেনাল্টি সুট আওটতা পাঞ্জল ৩–২ দা থোইখ্রে।

শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা আর্সনেলনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা লাকাজেটনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ২৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা আর্সনেলগী শান্নরোই ওবামেয়াংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা পাঞ্জল অনী শোঋদুনা লৈরিবা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ৫৬শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই জেরেথ বেলনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি।

মেটচকী ৫৯শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোই এসেন্সিওনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–২ দা মান্নরগা মেটচ অদু লোইশিনখিবদগী এক্সত্রা টামগী শান্নরকপদসু অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লাকখি।

মেটচ অসিগী মায় পাকপা টিম খন্নবা পেনাল্টি সুট আওট তৌরকপদা রিয়েল মাদ্রিদনা আর্সনেলবু ৩–২ দা থোইরম্বনি।

ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়ন্স কপ অসিগী ঙসি য়ু এসকী অতোপ্পা ষ্টেট কানহাসতা শান্নখিবা মেটচ অমদা জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিক্না ইটালিগী ক্লব মিলানবু ১–০ দা থোইরমখি।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী শান্নবগী অয়াম্বা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অহানবা হাল্ফকী ইনজুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোই গোরেটজকানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অপীবা মতম অদু শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা মিলানগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু বেয়র্ন ম্যুনিক্না ১–০ দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা স্পেনগী ক্লব এটলেটিকো মাদ্রিদনা মেক্সিকোগী ক্লব গুৱাদালাজারাবু পেনাল্টি সুট আওটতা ৫–৪ দা থোইখ্রে।

এটলেটিকো মাদ্রিদ অমদি গুৱাদালাজারানা শান্নখিবা মেটচ অদু হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফ অপীবা মতম লোইশিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্মখিদবদগী পেনাল্টি সুট আওট তৌরকপদা স্পেনগী ক্লব এটলেটিকো মাদ্রিদনা মেক্সিকোগী ক্লব গুৱাদালাজারাবু ৫–৪ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ইটালিগী ক্লব অনী জুবেন্টস অমদি ইন্টর মিলান শান্নখি। মসিদা জুবেন্টসনা ইন্টর মিলানবু পেনাল্টি সুট আওটতা ৪–৩ দা থোইরমখি।

মেটচ অসি শান্নরকপা ১০শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী শান্নরোই দি লাইটনা শোয়বদগী চনশিনখিবা পাঞ্জলনা ইন্টর মিলানননা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৮শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নখি।

## গৱা গভর্ণমেন্টনা নেসনেল গেমস থেংথনবা ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসন্দা হায়জখ্রে

*পানাজি, জুলাই ২৪(এজেন্সি)ঃ*

গৱাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল গেমস অসিগী মতম খরগা হেন্না থেংথনবা গৱা গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসন (আই ও এ) দা হায়জখ্রে।

লাক্লিবা ২০১৯ গী নবেম্বরদগী হৌদুনা পাঙথোক্কনি হায়দুনা তৌরম্বা নেসনেল গেমস অদু ষ্টেট অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎ–শাগৎপা লোয়দবনা মরম ওইদুনা থা খরা থেংথরগা কুমজা ২০২০ গী মে দা ওইনা পাঙথোক্নবগী অয়াবা পীবিনবা আই ও এ দা ষ্টেট অসিগী লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা হায়জখিবনি।

পনবা য়াবদি, নেসনেল গেমস অসি হৌখিবা মার্চ–এপ্রিলদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি অদুবু লোক সভা ইলেক্সন অমদি ষ্টেট অসিগী বোর্দ একজাম লৈবদগী য়ৈথোক্তুনা লাকখিবনি।

গৱাগী ষ্টেট স্পোর্টস মিনিষ্টর মনোহর অজগাওঙ্করনা ফোঙদোকখিবদা, আই ও এ দগী ষ্টেট অসিদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা লুপা ক্রোর ৯৭.৮০ কাইথোকখ্রবনি, হায়রিবা শেনফম অসি কুমজা ২০১৪ দা ষ্টেট অসিদা পাঙথোকখিবা লুসোফোনিয়া গেমসকী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপদসু শেনফম খরা শিজিন্নখ্রবনি। গেমস অসিগীদমক শেমগৎলিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অদু নেসনেল গেমস অসিদসু শীজিন্নগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## বোপানা–বুষ্টা হেমবর্গতা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*হেমবর্গ, জুলাই ২৪(এজেন্সি)ঃ*

জর্মনিগী সিটি হেমবর্গতা চত্থরিবা য়ুরো ১,৮৫৫,৪৯০ গী শেলগী মনা লৈবা এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমদি স্পেনগী কারেনো বুষ্টা নুপাগী দবলসতা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমদি স্পেনগী কারেনো বুষ্টানা জর্মনিগী রুদোফ মোল্লেকর অমদি সর্ভিয়াগী নেনাদ জিমোনজিকপু ৬–৩, ৫–৭, ১০–৩ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

য়ু এসকী অটলান্টাদা পাঙথোক্লিবা এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী সিঙ্গলস শান্নরোই প্রজনেস গুন্নেশ্বারন অহানবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী ক্বোং সুনয়ুগী মখূত্তা ৭–৬(৬–৪), ৫–৭, ৬–০ দা মায়থিহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলস প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমদি রোমানিয়াগী মারিয়স কোপিল মায়থিহৌখি।

স্বিটজরলেন্দদা পাঙথোকপা এ টি পি টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী জিভন নেদুনচেজিয়ান অমদি পুরভ রাজা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## লিওনেল মেসি মেটচ অমা অথিংবা থমখ্রে

*লুক্স (পরেগ্বে), জুলাই ২৪(এজেন্সি)ঃ*

আর্জেন্টিনাগী ষ্টার শান্নরোই লিওনেল এন্দ্রেজ মেসি সাউথ অমেরিকাগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল বোদি কোনমেবোলনা মেটচ অমা অথিংবা থমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই আর্জেন্টিনাগী লিওনেল মেসি থা অসিগী হৌরকপদা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচতা আর্জেন্টিনা অমদি চিলিনা শান্নখি। মেটচ অদু আর্জেন্টিনানা ২–১ দা মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই লিওনেল মেসিদা রেফরিনা রেদ কার্দ পীখিবা অদুনা মরম ওইরগা মহাকপু ফুটবোল বোদি অসিনা মেটচ অমা শান্নবা লেপ্পগী অথিংবা পীখিবগা লোয়ননা য়ু এস দোলর ১,৫০০ গী শেনফম ফাইন ওইনা থিহন্নবগী লেপ্পখিবনি। মেটচ অমা শান্নবা লেপ্পগী অথিংবা পীখিবা অসিনা আর্জেন্টিনানা শান্নগদবা ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়িংগী অহানবা মেটচতা লিওনেল মেসি য়াওররোই।

## জোন্টি রোদসনা ইন্দিয়া টিমগী ফিল্ডিং কোচ ওইরবা য়াই

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৪(এজেন্সি)ঃ*

হান্না সাউথ অফ্রিকাগী ক্রিকেট শান্নরোই ওইরম্বা জোন্টি রোদসনা ইন্দিয়া ক্রিকেট টিমগী ফিল্ডিংগী কোচ ওইবা য়ানা লৈরে। মহাক্না ফিল্ডি কোচকী পোষ্ট অসিগীদমক এপ্লিকেসন থাজিল্লকখ্রে হায়না বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) গী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৪৯ শুরবা সাউথ অফ্রিকাগী হান্নগী শান্নরোই অসি ইন্টরনেসনেল ক্রিকেটতগী পোত্থারবা মতুং ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী মরুওইবা ক্লব অমা ওইরিবা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী কোচ ওইদুনা ২০১৭ ফাওবা লাকখিবনি। নাকল অমরেমদা হৌজিক–হৌজিক ফিল্ডিং কোচ ওইরিবা আর স্রিধারদি সেলেক্সন প্রোসেস অসিদা ওটোমেটিকেল্লি শরুক য়াগনি।

হন্দক বি সি সি আইনা ইন্দিয়ান ক্রিকেট টিমগী চীফ কোচ য়াওনা অতৈ কোচিং ষ্টাফশিং লৌনবগী নোটিফিকেসন থোকখ্রবা মতুং সিদা চীফ কোচকী পোষ্টকীদমক ওষ্ট্রেলিয়াগী টোম মুদি অমদি শ্রী লঙ্কাগী মাহেলা জয়াৱার্দেনেনা এপ্লিকেসন পীশিল্লকপা লৈখ্রে।

চীফ কোচকী পোষ্ট অসি খন্ননবগীদমক ইন্দিয়াগী ৱার্ল্ড কপ ৱিন্নিং কেপ্টেন কপিল দেবনা লুচিংবা মীওই অহুমনা শাবা কম্মিটি অমা শেমখ্রে। অমদি অতৈ কোচশিংগী ওইনদি বি সি সি আইগী সি ই ও রাহুল জোহরিনা খনগনি হায়না এজেন্সিনা ফংবা পাওদা হায়রি।

### ক্রোসৱার্দ ২২৯ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | A | I | N | S | ■ | A | V | I | D | ■ | T | S | P | S |
| O | N | S | E | T | ■ | R | A | R | E | ■ | I | T | E | M |
| S | N | E | E | R | ■ | C | L | A | S | S | M | A | T | E |
| S | E | E | D | E | R | ■ | U | N | I | T | ■ | G | A | L |
| ■ | ■ | ■ | L | E | A | S | E | ■ | R | E | T | E | L | L |
| P | A | L | E | T | T | E | ■ | D | E | E | R | ■ | ■ | ■ |
| U | S | A | ■ | ■ | S | A | L | E | ■ | L | I | E | N | S |
| T | E | M | P | O | ■ | N | O | G | ■ | Y | O | D | E | L |
| T | A | P | E | R | ■ | C | U | R | B | ■ | ■ | G | O | O |
| ■ | ■ | ■ | W | I | S | E | ■ | E | L | E | M | E | N | T |
| S | E | A | S | O | N | ■ | H | E | A | V | E | ■ | ■ | ■ |
| A | R | T | ■ | L | O | R | E | ■ | H | A | R | A | S | S |
| G | A | T | H | E | R | I | N | G | ■ | D | E | L | T | A |
| A | S | I | A | ■ | T | O | N | E | ■ | E | S | S | E | S |
| S | E | C | T | ■ | S | T | A | T | ■ | S | T | O | P | S |